**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-06-2026)**

**ডে(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়রি-সোসিএল মেদিয়াবু লান্না শিজিন্নবগী মহুৎতা মসিবু দায়ত্ব লৈনা শিজিন্নদুনা মীয়ামদা অচুম্বা খঙহন্নবা অমদি নুংশি চান্নবা পুরকবা হোৎনসি।

মালেমগী সোসিএল মেদিয়া নুমিৎকা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রিনা পীবা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-সোসিয়েল মেদিয়াগী খুত্থাংদা তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিং পাউ ফাওনহন্দুনা অমদি গ্যান লৌশিং পীথোক পীশিন তৌনদুনা খুন্নাইবু অফবা মাইকৈদা পুরকবা ম হায়রি।

**খেমচান্দ(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং ঙসি হন্না য়েংশিনখ্রে।

মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ন্যু সিভিল সেক্রেটরিয়েটতা বিভাগ অসিগী কম্মিস্নার-হাওবম রোসিতা, দাইরেক্তর-সৈখ অব্দুল হাকিম অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা বিভাগ অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। মীফম অদুদা মমা ওইবীশিং অমদি অঙাংশিং, সোসিএল সেক্যুরিতি পেন্সন, মীমান্নদ্রবা মীওইশিংদা মতেং পীবা, স্কোলারসিপ পীবা য়াওনা খুন্নাই অসিদা শোত্থনা হিংলিবা কাংলুপশিংদা সরকারনা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিংগী কান্নবা মতম চানা ফংহন্নবগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

**সিএম(এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ার্পসন-থুমলিপ তিনিংফম মোনশাংনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগা

ঙসি মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা কম্মিসন অসিনা মথৌ পাঙথোকপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিদা পাউদমখি। মুখ্য মন্ত্রিনসু মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংগী মতুং ইন্না কম্মিসন অসিনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং নীংথিনা য়েংশিনগনি হায়না থাজবা পীখি।

অমরোমদা, মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইবকী চেয়োরমেন-থুগাইমেথিয়ু রোংমৈনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমগসু মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নখি। রাজ্য অসিদা লৈরিবা সেদ্যুল ত্রাইবশিংগী য়াইফ থৌরাংগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং অমদি কম্মিসন অসি নীংথিনা মথৌ পাঙথোকবগী মতাংদা মীফম অদুদা কুপা খন্নখি।

হন্দক্তা ভারত সরকারনা বির চক্র মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎলকখ্রবা মনিপুরদগী-ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সতা স্কদ্রোন লিদর ওইনা থবক তৌরিবা রিজৱান মালিকনা মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা ওপরেসন সিন্ধুরদা থৌনা লৈনা মথৌ পাঙথোকখিবা রিজৱান মালিকপু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা শিন্দুনা ৭৭ শুবা বন মহোতসব পালন থৌরম হয়েং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চিংখু ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা হৌদোক্লগনি।

থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট বিভাগকী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জারভেটর ওফ ফোরেষ্ট-অনুরাখ ভাজপায় শরুক য়াগনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা উ চারা থাবগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি।

**চহি ১২ (এল)ঃ** কেন্দ্রদা এন.দি.এ সরকারনা সাসন পায়রকপা চহি ১২ শুরকপগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনা 'টেক্স রিফোর্মস' হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মিনিট ৫০ দা সংঙাই চেন্নেলদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসিদা রাজ্য সরকারগী জি.এস.টি. সুপরিনটেন্দেন্ট-অরান্বম ধনেশ্বরগা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুগী দেক্স ইদিটর- দেবিকা চিংথামগা উন্নদুনা ৱারী শাবগী থৌরম তাবা ফংবিগনি।

থৌরম অসি হয়েং অয়ুক পুং তরেৎতা অকাশবানি ইম্ফালগী কংলা চেন্নেলদা অমুক হন্না তাবা ফংবীগনি।

**নোং (এল)ঃ** লৌউ পন্থা য়ৌরবসু মনিপুরগী জিলা খরদা নোং মরাং কায়না চুদবদগী লৌ পানবা য়াদনা লৈরি। ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবাল জিলা য়াওনা মফম খরদা হৌজিকসু লৌ উদবা য়াদনা লৈরি। মসিনা রাজ্য অসিদা চাথোক হন্থরক্কদ্রা হায়বগী মীপায়বা লৌমীশিংনা পোকরি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সে টরনদি-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

উখ্রুল, কামজোং, তেংনোপল, চান্দেলনচিংবা জিলা খরদদি অকনবা মওংদা নোং চুগনি হায়রি।

**ধরনা (এল)ঃ** নাগা মীচম তরুক হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবশিং ফাদুনা আইনগী চৈরাক পীয়ু হায়বা দাবী তৌদুনা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চঙাংগৈ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

জষ্টিস ফোর সিক্স সন্স ওফ কৌব্রু য়ুনাইটেদ কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুনা মীহাৎপশিং ফাগদবনি, সসপেন্সন ওফ ওপরেসন লৌথোক্কদবনি হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** চহি অসিগী ওইনা আর.কে. সনাতোম্বা মেমোরিএল জর্নেলিষ্ট এৱার্ড-ইমপেক্ট টি.ভিগী পাউমী-এলাংবম ওজিৎকুমারদা খুৎশিন্নখ্রে।

আর.কে. সনাতোম্বা মোমোরেিএল ত্রষ্টনা শিন্দুনা জে.এন. মনিপুর দান্স একাডমী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মনা অসি খুৎশিন্নখিবনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা কংলা লানপুংগী ১৭ শুবা লাইরিক অমসু ফোংখি। হান্না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা সেক্যুরিতি এদভাইজর ওইরম্বা-থাংজম ব্রোজেননা কনফ্লিক এন্দ ইন সেক্যুরিতি-মিলিটারাইজেসন এন্দ ক্রাইসিষ্ট ওফ সেক্যুরিতি ইন মনিপুর হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি।

**চান্দেল(এল)ঃ** মনিপুর বেপটিস কনভেন্সন অমসুং মোয়োন নাগা বিপটিস এসোসিয়েসননা শিনদুনা 'মাই ড্রিম ফোর পিছ' হায়বা হীরমদা অঙাংশিংগী ওইবা লাই য়েকপা চাংদমবা থৌরম অমা ঙসি চান্দেল জিলাগী য়ুনিয়ন মোদেল হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

**রাজনাথঃ** কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা মপাঙ্গল কনবা শেন্মীৎলোন অমা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

গুজরাটকী বদোদরাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী রাজনাথনা হায়-গুজরাটতা মপাঙ্গল কনবা কেমিকেল, ইলেক্ট্রোনিক্স, সিপ বিল্ডিং অমসুং রিন্যুয়েবল ইনর্জি সেক্তর নীংথিনা লৈবনা রাজ্য অসি মতম খরগী মতুংদা দিফেন্সকী পোৎলমশিং শাবগী মালেমগী মরুওইবা মফম অমা ওইরক্লগনি।

ভারত মশানা শাজবা ঙাকশেলগী পোৎলমশিং শাবগী চাং হেনগৎলক্লি হায়রদুনা শ্রী রাজনাথনা হায়-ইং ২০১৪ দা ভারতকী দোমেষ্টিক দিফেন্স প্রদক্সন অসি লুপা কোতি লিশিং ৪৬ ওইরম্বা অদু হৌজিক্তি লুপা কোতি অমা লাখ ৭৮

দা হেনগৎলে।

**দ্বিবেদিঃ** মেজর জেনরেল ধিরাজ সৈদনা ভারত লান্মীগী মকোক ঙসিদগী ওইরে।

নৌনা লান্মীগী মকোক ওইরবা জেনরেল-ধিরাজ সৈদতা ফম অদু খুৎশিন্নরদুনা জেনরেল দ্বিবেদিনা হায়-ভারত লান্মীগী শিনফমদা চহি ৪০ হেন্না থবক তৌরকপা অসিদা মহাকা চাউথোকচবা পোকই। মহাকা হায়-জেনরেল সৈদ অসি হৈথোই শিংথোইরবা লান্মী অমসুং লুচিংবা অমনি। মহাকা লুচিংদ্রিঙৈ মতমদা ভারতকী লান্মীশিং হেন্না চাউখৎলক্কনি হায়বগী থাজবসু মহাকা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়-ভারত লান্মীগী মকোক-জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিনা হায়রি-ভারত লান্মীগী শক্তি অসি লন্নাই মীওই অমখক্তদগী নত্তে। মসিদি লান্মীশিং, কম্মান্দরশিং, লান্মীদগী পোত্থখ্রবশিং, মখোয়গী ইমুং মনুং অমদি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী লোইনাইদ্রবা থাজবা অদুদগী লাকপনি।

**জিএসটিঃ** সরকারনা গুদস এন্দ সাভির্সেস টেক্স আপিলেট ত্রাইব্যুনেলদা আপিল তৌবগী মতম মথং থাগী ৩১ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

শেল থুম মন্ত্রালয়না হায়-মমাং চহিগী সেপ্তেম্বর থাদা থোকখিবা নোটিফিকেসনদা ঙসি অসি আপিল তৌবগী অরোইবা নুমিৎ ওইখিবনি। টেক্স থিরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী আপিল অরোইবা নুমিৎ ঙায়বা তৌদনা মাংজোননা থিদোকবসু সরকারনা আপিল তৌরি।

**থাউঃ** পেট্রোল অমসুং দিজল য়োনবা অমদি য়েন্থোকপদা মতম খরগী ওইবা রিগ্যুলেতরি থৌরাংশিং চৎনহল্লম্বদু লেপবা সরকারনা ৱারেপ লৌরে। পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না হায়- মতম খরগী ওইনা পব্লিক সেক্তর ওইল মার্কেতিং কম্পনিশিংগী রিতেল আউটলেটশিংদা মোতোর

স্পিরিট অমসুং হাই স্পিদ দিজলদা থল্লন্বা তেম্পরেরি রিগ্যুলেতরি অদু হয়েংদগী চৎনররোই। মন্ত্রালয়না হায়- নোংচুপ এসিয়াগী ৱাথোক্কী য়েংলগা, রিতেল আউটলেটশিং অমদি দরকার লৈবা ইন্দষ্ট্রিয়েল, ইন্সটিট্যুসনেল অমসুং কম্মরসিয়েল কঞ্জুমরশিংদা, কস্তমর অমমদা নত্রগা গারি অমমমদা নোংমদা হাই স্পিদ দিজল লিতর ২০০ দগী হেন্না পীদনবা তেম্পরেরি লেগ্যুলেতরি অমা থা অসিগী ১২ দা থোকখিবনি। অদুবু, লৈবাক অসিগী পেট্রোল্লিয়মগী পোত্থোকশিংগী ফিভম কুপা য়েংশিল্লবা তুংদা মীয়ামগী য়েংদুনা মতম খরগী ওইবা রিগ্যুলেতরি অদু চৎনহন্দনবা সরকারনা ৱারেপ লৌখিবনি।

**সম্মেলনঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী খুঙ্গংগী লমদা অওনবা পুরকপা হায়বা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা রুরেল দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়না শিনদুনা পাঙথোকপা রাস্ত্রিয়া গ্রামিন বিকাশ সম্মেলন ঙসি লোয়শিনখ্রে।

রাজ্যশিং অমসুং কেন্দ্রগী মরক্তা মরী হেন্না চেৎশিলহন্দুনা ভিক্সিত গ্রাম, ভিক্সিত ভারত হায়বা মীৎয়েংবু হেন্না মপুং ফাহন্নবগী পান্দমদা নুমিৎ নিনি চত্থখিবা জাতিগী ওইবা মীফম অদুনা ফ্লেগসিপ রুরেল দিবপলমেন্ট প্রোগ্রামশিং নীংথিনা চৎনহনবা অমসুং খুঙ্গংগী লমদা চাউখৎহন্নবগী রোড মেপ অমা পুথোক বগী মতাংদা কুপা খন্নখি। সম্মেলন অদুদা ভি.বি-জি.আর.এ.এম.জি. এক্ট- ২০২৫ মপুং ফানা চৎনহন্নবগা পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

**শিবরাজঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়রি-লৌউ শিংউগী লমদা চাউখৎহন্দনা ভিক্সিত ভারতকী ৱাখল্লোন মপুং ফাহনবা ঙমলোই।

হরিয়ানাগী হিসারদা খেট বচাউ অভিয়ান লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী চৌহাননা হায়-লৌমীশিংদা লৈবাক লৈহাও অমসুং হাপকদবা হারগী চাং খঙহনবা য়াগদবা মোবাইল এপ অমা পুথোকবা সরকারনা হোৎনরি। লৈবাক লৈহাও মাঙহন্দনা থম্বা ঙমবগীদমক হার অমদি তিলহাৎ হিদাকশিং চাং চানা

শিজিন্ননবসু মহাকা লৌমীশিংদা হায়রি। ওর্গানিক ফার্মিং শিজিন্ননবসু মহাকা লৌমীশিংদা আপিল তৌরি।

**ফিফাঃ** ব্রাজিল, মোরোকো অমসুং পরাগুৱে, ফিফা ৱার্ল্ড কপকী রাউন্দ ওফ সিক্সতিন চংখ্রে।

জর্মনি ২০২৬ কী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী রাউন্দ ওফ থারতি টুদা মায়থিহৌরে। হৌখিবা অহিং শান্নখিবা মেটচতা পরাগুৱেনা জর্মনিবু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখি। এক্সত্রা টাইম হাপ্পবা ফাওবদা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎপদগী পেনালতি সুট আউট তৌখিবনি। মসিনা ৱার্ল্ড কপকী পেনালতি সুট আউটতা মায়থিহৌবা জর্মনি অহানবনি। মসিগা লোয়ননা পরাগুৱে রাউন্দ ওফ সিক্সতিন চংখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদসু নিদরলেন্স অমসুং মোরোকো পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎপদগী, পেনালতি সুট আউটতা মোরোকোনা পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

ব্রাজিলদি জপানবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা হান্ননা রাউন্দ ওফ সিক্সতি চংখ্রবনি।

রাউন্দ ওফ থর্তি টুগী মেটচ অমদা ঙসি নুমিদাং পুং ১০ মখায়দা নোর্ৱেগা আইবোরি কোচকা শান্নগনি।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন টি-টোইন্তি ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচশিংদা লিগ মেটচতা ৱাই.টি.ঐচ.য়ু.সি-লালাম্বুংনা এস.য়ু.থাংমৈবন্দবু রন-৪২ দা থোইখ্রে। অদুগা পি.সি.এম.দি.সি. থোংজ পেচু লম্পাক অমসুং এম.পি.এ. থৌনালজম শান্নগদবা মেটচ নোং চুরকপদগী য়ৈথোকখে।

**ভোল্লিবোল(এল)ঃ** ওল মনিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মখাদা পৌরাবী রাইজিং স্তার ক্লবনা শিনদুনা চথরকপা গ্রাস রুট লেবেল ভোল্লিবোল কোচিং ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী লাইনিংথৌ পুথিবা ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা লোয়শিনখ্রে।